# মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ‘ইরমদম নাৎকী অশেংবা থৌরম’

- নানি

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর বিল ২০১৫ হায়বা অমা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লেজি সলেটিব এসেমব্লিদা পাস তৌরবা মতুংদা মতমদুগী গভর্ণরনা এপ্রিল ১০, ২০১৫দা এসেন্ট পীদুনা চৎনবা য়াহনখি। য়ুনিভর্সিটি অসিগী চাঞ্চেল্লরসু ওইরিবা মণিপুরগী গভর্ণরনা কুমজা ২০১৬কী ওগষ্ট ১২দা হৌনবী মতুংইন্না য়ুনিভর্সিটি অসি মতমদুগী মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী অমদি দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমগা লোয়ননা মহারাজ চন্দ্রকির্তি ওদিটোরিয়মদা হাংদোকখি। য়ুনিভর্সিটি অসি চথবা য়ানবগীদমক ভাইস চাঞ্চেল্লর অমদি রেজিষ্ট্রার হাপ্তুনা থবক হৌহল্লকখি। লোয়ননা চহী অদুমক্কী সেপ্টেম্বর ২০, ২০১৬তগী একাদেমিক সেসন হৌখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অসিদা হৌজিক ফাওবদা কোর্স খরা হাংদোক্তুনা মহৈরোয় কয়া অমনা মীং চল্লকখি। য়ুনিভর্সিটি অসিদা হৌজিক হাংদোক্লিবা কোর্সশিংদি -i) Music (3 yrs course), ii) Dance (3 yrs course), iii) Theatre (3 yrs course), iv) Visual Arts (4 yrs course), v) Thang-Ta (3 yrs course), vi) Umang Lai Haraoba (3 yrs course), vii) Sankritan (3 yrs course) অমদি viii) Tribal Studies (3 yrs course) হায়রিবশিং অসিনি।

য়ুনিভর্সিটি অসি হৌজিকমক্কী ওইনদি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈরিবা দিপার্টমেন্ট ওফ আর্টস এন্দ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী কেম্পসতা লৈরি। ক্লাসশিংসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চাইথোক চাইথোক্তুনা চথরি। য়ুনিভর্সিটি অসিগী চপ চাবা মশাগী ওইবা বিল্ডিং অমা শাগৎনবা কন্না হোৎনবা তারি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী ৱাখা ভিলেজ হায়রিবা মফম অসিদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী সাইট খন্দোক্তুনা শাবা হৌনবা থৌরাং লৌখৎপগী পাউ লৈখ্রে। হীরম অসোমদা লৈঙাক অসিনা য়াম্না থৱায় য়াওনা চংশিনবা থেংনরি। তশেংনমক্তি, হেক হৌরকপদগী হৌনা মণিপুর য়ুনির্সিটি ওফ কলচর অসি লৈঙাক্লা য়াম্না থৱায় য়াওনা লীংখৎনবা হোৎনরকখিবনি। মতমদুদা লৈরম্বা লৈঙাক অদুনা মণিপুরী কলচর অসিবু তুং কোয়না মাঙহন্দনা লৈহৌনবা অমদি খরা হেন্না পাক চাউবা মীৎয়েংদা ঐখোয়গী কলচর অসিনা মালেমদা হেন্না মশক তাকপা ঙম্নবা সিষ্টেমেটিক ওইবা মওংদা ষ্টদি মপূং ফানা চথবা য়ানবগীদমক য়ুনিভর্সিটি অসি লীংখৎনবা থৌরাং লৌখৎপনি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখি। তশেংনমকসু ঐখোয়গী ত্রেদিসনেলগী ওইনা লৈজরিবা পার্ফোমিং আর্টস কয়া অমদি ঙসি মশক উনা উনা শিরল্লবনি। মসিবু কন্নবা য়াম্না কন্না হায়দুনা, লাউদুনা লাক্লবসু ওইথোকপদি লৈখিদে। অদুবু হৌজিক্তি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর হায়বা অমা লীংখৎতুনা তোঙান তোঙানবা আর্ট ফোর্ম কয়া অমগী







দিপার্টমেন্ট অমদি ক্লাস হাংদোক্তুনা চথরকপা অসিমদি তশেংনা নুংঙাইবা ফাওই।

য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওইবা কলচরেল কম লিটরেরি মীট ২০১৯ হায়বা অমা ‘ইনাৎ’ হায়না মীংথোন্দুনা চাউরবা থৌরম অমা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী ওদিটোরিয়মদা ওক্টোবর ১৭তা হৌরগা ১৮দা লোইশিনখিবা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। হৌদোকপগী থৌরম অদু Union Minister of State i/c Culture and Tourism পায়রিবা শ্রী প্রহ্লাদ সিংহ পটেলনা চীফ গেষ্ট ওইখি। মণিপুর গভর্ণমেন্টকী আর্ট এন্দ কলচরগী মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা প্রসিদেন্ট, শ্রী ৱাই জয়কুমার, ওনরেবল দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর, শ্রী লেটপাও হাওকিপ ওনরেবল মিনিষ্টর ৱাই এ এস, ডা. আর কে রঞ্জন, ওনরেবল এম পি, শ্রী নহাকপম ইন্দ্রজিৎ, ওনরেবল এম এল এ ক্ষেত্রিগাও এ/সীনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা অমদি শ্রী বোবি ৱাইখোম ওনরেবল ভাইস চাঞ্চেল্লর, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা প্রহ্লাদ সিংহ পটেলনা য়ুনিভর্সিটিনা হৌরক্লিবা নহাশিংবু অনৌবা লৌশিংগী মঙাল অমা পীবতা নত্তনা মহাক মহাক্লা তমজরিবা মহৈশিং অদুগী খম থেংনা হৈহৌবা য়াবগী চাউরবা প্লেটফোর্ম অমনি হায়না পনখি। মীওইনা পোকপদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি মীংচৎ উরোং খিনবা অমদি মীনা ইকায়খুম্নবা ফংনা হিংবা অদুনি। আর্টস এন্দ কলচর হায়বসিনা মীপূম খুদিংবু থবক ফংহনবগী ৱা নত্তনা ষ্টেট অসিগী অচৌবা মীংচৎ অমা পুরকপা ঙমগদৌরিবনি লোয়ননা মীমাঙদা চাউথোক্লা হিংবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা পীখি। থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা এল জয়ন্তকুমারনা য়ুনিভর্সিটি অসিগা মরী লৈননা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা অমদি মসিগী তঙাইফদবা কয়াশিং অদু য়াওবা প্রোজেক্ট প্রপোজেল অমা মিনিষ্ট্রিদা থাখিবা কুইরে। মদু ওনরেবল মিনিষ্টরনা য়েংশিনবীদুনা অথুবদা থবক পায়খৎপীনবা ফোঙদোকখিবদা ওনরেবল মিনিষ্টরনসু মদুগী ওইথোকপা য়াবা গ্রীন সিগনেল পীরকখি। অহৌবা নুমিত্তা মখল মথেলগী পার্ফোমিং আর্ট কয়া য়ুনিভর্সিটি অসিগী মহৈরোয়শিংনা উৎখি। য়ুনিভর্সিটি অসিদগী থোরকপা মহৈরোয়শিংনা য়াম্না চেকশিন্না হিন্দুষ্টানি ক্লাসিকেল ম্যুজিক, দান্স, থাঙ-তা, খোংজোম পর্ব্ব, সলাই ঈশৈ, লাই হরাওবগী লম থোকপা, বেম্বু দান্স, সঙ্কীর্ত্তন, রাস লীলা অমদি মোহন রাকেশকী মমিং লৈরবা প্লে Asad ka Ek Dion হায়বদু ইঙাগী নোংমা হায়না মীংথোন্দুনা মায় পাক্লা উৎখি। লীলা অসি য়ুনিভর্সিটি অসিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর তোইজম শিলানা দিরেক্সন পীবনি। লীলা অসি অয়েংবা পূম্নমক্কী পূক্লিং খোনবা ঙমখি অমদি শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংগী তুংগী করিয়র অমগী অশেংবা মীৎয়েং অমা শাগৎপা ঙমখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নাজমা হেপতুলানা চীফ গেষ্ট, থোঙাম বিশোরজিৎ, ওনরেবল মিনিষ্টর পি দব্লিয়ু দি, আর দি এন্দ পি আর, ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স, এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিসনা প্রসিদেন্ট, শ্রী এল জয়ন্তকুমার, ওনরেবল মিনিষ্টর আর্টস এন্দ কলচর, ডা. রাধেশ্যাম য়ুম্নাম, ওনরেবল এম এল এ হিয়াংলম এ/সী, শ্রী বোবি ৱাইখোম, ওনরেবল ভাইস চাঞ্চেল্লরনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি। নুমিৎ অদুদসু মহৈরোয়শিংতগী ওইবা মখল কয়াগী পাফোর্মিং আর্টস কয়া উত্তুনা মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবা কয়া মীয়ামদা থমখি। মদুগী মনুংদা সরিৎ-সরাৎ, থাঙ-তা, তাম্বুল নুরাবি, লৈচল (ক্রিএটিব দান্স), নাচোম (ম্যুজিকেল পার্ফোর্মেন্স) অমদি নীংশিংলি নুমিত্তো হায়না মীংথোনবা পুয়া মৈ থাবদা য়ুম্ফম ওইবা ফজরবা ঈশৈ অমদা পিকচরাইজ তৌবা লোয়ননা য়াম্না নীংশিংনীংঙাই ওইবা ফজরবা পার্ফোর্মেন্স পীদুনা অয়েংবশিংগী পূক্লিং খোনখি।

থৌরমশিং অসিনা অয়েংবশিংগী পূক্লিংদা ঐখোয়গী য়ুনিভর্সিটি অসিগী চাউথোকচবা অদু চপ চানা ফাওখি। নুংঙাইতবা অমা হায়রগদি য়ুনিভর্সিটি অসিগী চপ চাবা কেম্পস অমা লৈতবা, মসিদা ওজা ওইরিবশিং অসিগী মশীং ৱাৎপা অমদি মখোয়গী চপ চাবা সার্ভিস ষ্টেটস অমা থম্বীনবা হোৎনদবা লোয়ননা মহৈরোয়শিং অসিগী ওইবা টিচিং মেটরিএল, ক্লাস রুম অমদি অতৈ ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া শেমগৎ শাগৎপীদবা অসিনি। মসি লৈরিবা লৈঙাক অসিনসু য়াম্না কন্না থৱায় য়াওনা শেমগৎ শাগৎনবা অমদি য়ুনিভর্সিটি অসিগী চপ চাবা বিল্ডিং অমা শাগৎনবগী অকনবা থৌরাং লৌখৎপদি পাউ ওইনা তাখ্রে। মদু অথুবা মতমদা লৈঙাক অসিনা তুংগী লাক্কদবা মহৈরোয়শিং অমদি য়ুনিভর্সিটি অসিদগী পুথোরক্কদৌরিবা পোখোকশিং অসিগী কান্নবা কয়া অদুনা মণিপুরবু মালেমদা হেন্না মশক তাকপা অমদি হেন্না মশক থোকহন্নবা য়াম্না হকচিনবা থৌরাংশিং পায়খৎপীবা হায়বসি তঙাইফদে। মসিগী অৱাৎপা কয়াশিং অসি লৈরবফাওবদা, য়ুনিভর্সিটি অসিগী ফেকলতিশিং অসিনা য়াম্না থৱায় য়াওনা হোৎনদুনা কথোকপা অমগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংবু তাকপী তম্বীবগী থবক লৌখৎলিবা অসিমদি তশেংনা থাগৎনীংই। য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওইনদি হৌজিক হৌজিকমক্কী ওইনা য়েংলগদি অৱাৎপগী অৱাৎপা ঙাক্তনি। অৱাৎপশিং অসিগী প্রাইওরিটি অদু খঙদোক্লগা অথুবা মতমদা করি করি তৌবা য়াবগে হায়বসি লৈঙাকপশিংনা মমুৎ তানা অমদি থম্মোয় শেংনা খন্নবীবা চুমগনি। কোর্স মশীং হেনগৎহনবা, ফেকলটি মশীং শুহনবগা লোয়ননা ফেকলটি অমা ওইবগী চপ চাবা খুদোং চাবশিং, সার্ভিস এভেন্যু, সেলরিনচিংবা কয়া নিংথিনা মওং মরীল তানা শেম্বীবা, অৱাৎপা টিচিং মেটরিএলশিং প্রাইওরিটিগী মতুংইন্না ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎহন্নীংই। মণিপুরগুম্বা অমদা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি হাংবা হায়বসি য়াম্না মরম চাই অমদি মসিবু হেন্না মশক থোকহন্নবা হোৎনবা হায়বসিদগী হেন্না ফবা অতোপ্পা থবক অমা লৈতে।




## চিঙ্গাক্লা খ্বাইদগী ফবা হীদাকনি - অহল ওইশিল্লকপা ঙাকথোক্লুবা খ্বাইদগী ফবা চীঙ্গাকশিং



অফবা চীঙ্গাক মরাঙ কায়না চাবা হায়বসি পুন্সি নুংশাংনা নাদা য়েক্তনা লৈনবা মীয়াম পূম্নমক্লা খঙনরবা লাইৱানি। অদুবু পান্দম অদু ফংনবা করি করি চীঙ্গাক চাবনা খ্বাইদগী হেন্না ফবগে হায়বসিদি ৱাহং অমা ওইরি। ৱাহংদুগী পাউখুম ওইনা পুন্সি নুংশাংনা নাদা য়েক্তনা লৈনবা চীঙ্গাক খরা মখাদা পীরি।

**নুঙ হৱাই অতেকপা**- নুঙ হৱাইদা আইসোফ্লেভোন কৌবা ফাইটোইষ্ট্রোজেন মখল অসি মরাঙ কায়না য়াওই। আইসোফ্লেভোন অসি এন্টি-ইনফ্লেমেটরি, এন্টিওক্সিদেন্ট, এন্টি-কেন্সর অমদি এর্ন্টিমাইক্রোবিএল প্রোপর্টি য়াওই। মরম অদুনা হকচাংগী ইনফ্লেমেটরি রেস্পোন্স রেগ্যুলেট তৌবা, হকচাংগী সেলশিংনা অহল ওইশিল্লকপা তপথহল্লি, মাইক্রোবশিং থেংনবদা, লোয়ননা কেন্সর মখল খরা থেংনবদা মতেং পাংই।

**গজর**- গজরদা বেটা-কেরোটিন হায়ব পিগমেন্ট অমা য়াওই, মসি হকচাংনা ভিটামিন এ ওন্থোকই, নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ হেল্থকী মতুংইন্না মসি ইম্যুন ফঙ্কসন, ভিজন, রিপ্রদক্টিব অমদি সেল্লুলর কম্যুনিকেসনদা শীজিন্নে হায়রি। ভিটামিন এ অসি ঐখোয়গী হকচাংদা শুংজবা ঙমজদে, মরম অদুনা চীঙ্গাক্তগী লৌবা মথৌ তাই।

**বেটা**- কেরোটিন হায়রিবা পিগমেন্ট অসি হকচাংগী সেলশিংবু ফ্রী রেদিকেলনা মরম ওইরগা অহল ওইশিল্লকপদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা এর্ন্টিওক্সিদেন্ট অমসুনি।

**ক্রুসিফেরস ভিজিটেবল**- কোবি ফুন, কোবি লৈ, ব্রোকোলি, অমদি অতৈ কোবি মখলশিংসি ক্রুসিফেসর ভিজিটেবলগী মনুং চল্লি। মখোয়শিং অসিদা ভিটামিন (সী, ঈ, কে, ফোলেট), মিনরেল (পোটাসিয়ম, কেলসিয়ম অমসুং সেলেনিয়ম) অমদি কেরোটিনোইদ (লুটিন, বেটা-কেরোটিন, জিএক্কান্থিন) মরাং কায়না য়াওই। মসিদা নত্তনা গ্লুকোসিনোলেট হায়বা পোৎশক অমা য়াওই। মসিনা হকচাংগী ষ্ট্রেস অমদি ইনফ্লেমেসন রেস্পোন্সপু রেগ্যুলেট তৌই। অমদি মখোয় খরদদি এর্ন্টি-কেন্সর ওইবা মচাক য়াওবরা হায়না থিজিল্লি।

**সালমোন**- সালমোন হায়রিবা ঙা মখল অসি প্রোটিনগী চাং য়াম্না ৱাংনা য়াওই, অমদি ওমেগা-৩ ফেট্টি এসিদসু মরাং কায়না য়াওই।

**সাইট্রস ফ্রুট**- সাইট্রস ফ্রুটকী মনুং চনবা চীঙ্গাকশিংদি কোল্লা, হৈথুম, চমপ্রা মখলশিং, ক্লেমেন্টাইন, মেন্দরিন, অমদি টেঙ্গরিন হায়রিবসিং অসিনি।


সাইট্রস ফ্রুটশিং অসি ভিটামিন সী চাং ৱাংনা য়াওই। ভিটামিন সী অসি এর্ন্টিওক্সিদেন্ট প্রোপর্টি লৈ, মসিনা ইনফ্লেমেটরি দেমেজ অমদি ইনফেক্সননচিংবদগী ঙাকথোকই। মসিগী হৈ মখলশিং অসি চিনি, দাইটরি ফাইবর, পোটাসিয়ম, ফোলেট, কেলসিয়ম, থিয়ামিন, নিয়াসিন, ভিটামিন বি-৬, ফোস্ফরস, মেগ্নেসিয়ম, কোপ্পর, রিবোফ্লেবিন অমদি পেন্তোথেনিক এসিদনচিংবা মেক্রোন্যুট্রিএন্টশিংসু চাং ৱাংনা য়াওই।

হকচাংদা কান্নরবা মচি ওইবা চীঙ্গাকশিং অসি চাবনা অহল ওইশিল্লকপদা মতেং পাংশিনবা লায়না-লাইওং কয়াবু ঙাকথোকই। মরম অদুনা অহল ওইশিল্লকপদগী ঙাকথোক্লুবা হায়বদি নাদা য়েক্তনা পুন্সি নুংশাংনা লৈনবা চীঙ্গাকশিং অসি চাবা য়াম্না মথৌ তাই।

## সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি

# ব্লদহাউন্দ লেন স্পিদ রেসরনা পূংদা মাইল ৬০০ য়াঙনা থৌবা ঙম্বা মালেমগী তরেৎশুবা ভেহিকল ওইখ্রে

বৃটেনগী লেন স্পিদ রেসর ‘ব্লদবহাউন্দ’না পূংদা মাইল ৬২৮ য়াঙনা থৌবা ঙম্বা মালেমগী ওইনা পূংদা মাইল ৬০০ (কিলেমিটর ৯৬৫) হেন্না য়াঙনা থৌবা ঙম্বা ভেহিকল তরেৎশুবা ওইখ্রে।





ঙসি অয়ুক অঙনবদা সাউথ অফ্রিকাগী নোর্দন কেপ্তা লৈবা হাক্সকিন পান হায়না খঙনবা লৈতেম য়াম্না মান্নবা অপাকপা দেসার্ট (মরুভূমি) দা পাঙথোকখিবা চাংয়েং অদুদা বৃটিস লেন্দ স্পিদ রেসর ভেহিকল অদুনা পূংদা মাইল ৬২৮ (কিলোমিটর ১০১০) য়াঙনা থৌদুনা মালেমগী ৭শুবা ভেহিকল ওইরিবনি।

মালেমগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা লৈকংদা খ্বায়দগী য়াঙনা থৌবা ঙল্লিবা লেন্দ স্পিদ রেসর অদুসু বৃটিসকী কার ‘থ্রষ্ট এস এস সি’না ওইরি। কার অদুনা কুমজা ১৯৯৭কা পূংদা মাইল ৭৬৩ (কিলোমিটর ১২২৮) য়াংনা থৌখি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা ব্লদহাউন্দ কার অদু থৌখিবা দ্রাইভর অদুসু থ্রষ্ট এস এস সি কার থৌখিবা বৃটেনগী রোয়েল এয়র ফোর্সকী পোইলোট এন্দ্রিগ্রিননি।

হৌজিক ফাওবদা মালেমগী ওইনা ব্লদহাউন্দ লেন্দ স্পিদ রেসর অসি ঙসি চাংয়েং তৌদ্রিঙৈগী মাংওইননা পূংদা মাইল ৬০০ হেন্না য়াংনা থৌবা ঙমখিবা কারশিং অদুদি সোনিক ১, ব্লু ফ্লেম, থ্রষ্ট ২, বদৱাইজর রোকেট অমসুং থ্রষ্ট এস এস সিনি। হায়রিবা ৬ অসিগী মনুংদা বদৱাইজর রোকেট অমসুং থ্রষ্ট এস এস সিনা পূংদা মাইল ৭০০ লান্থোক্তুনা থৌবা ঙমখি।



কারশিং অসিনা থৌরিবা স্পিদ অসি চুম্নগী মী পুবা প্লেন অমনা থৌরিবা স্পিদ অদুদগী হেল্লবনি। ঙসিগী ব্লদহাউন্দ কার অদুনা মরুভূমিগী লৈমায়দা থৌখিবা স্পিদ অদু ফাইটর প্লেন অমনা রন ৱেদা থৌরম্বা তারবদি নোংথক্তা পায়খৎপা য়াবগী স্পিদ অদু হেন্দোক্লবনি।

ব্লদহাউন্দ লেন্দ স্পিদ রেসর অসিগী টিমনা মায় পাক্লা সাউথ অফ্রিকাগী হকস্কিন পান মরুভূমিদা চাংয়েং তৌরবা মতুং ইংলেন্দদা হল্লগনি। টিম অসিগী পান্দমদা মথং লাক্কদবা চহীদা থ্রষ্ট এস এস সিনা থমখিবা রেকোর্দ অদু থুগাইবা ঙম্নবা কন্না হোৎনরি।

কার অসি লন্দনগী য়োকসায়রদা লৈবা বিজিনেসমেন ইয়ান ৱারহষ্টনা পুথোক্তুনা চাংয়েং তৌখিবনি। মহাক্লা ফোঙদোকখিবদা প্রোজেক্ট অসিগী মথংগী ফেজগীদমক্তা অতোপ্পা স্পোন্সরশিংগী মতেং লৌগদৌরি।

মরকসিদা নোর্ৱেগী এরো স্পেস কম্পেনি নামোনা ব্লদহাউন্দ কার অসি থ্রষ্ট এস এস সিগা লম্বা তৌননবা রোকেট অমা হাপচিন্নিংবগী অপাম্বা অদু ফোঙদোরক্লি।

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ

থাগৎচরি

লৈবাক অসিদা ফোঙবা পাউচেশিংগী মশীং লেপ্পগী ওথোরিটি ওইরিবা ওদিট ব্যুরো ওফ সর্ক্যুলেসন (এ বি সী) না কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারী থাদগী জুন থা ফাওবগী পীবা সর্টিফিকেসন ফংবা মণিপুরগী পাউচেশিংদি হুইয়েন লানপাউ অমসুং সঙাই এক্সপ্রেসনি। এ বি সীনা পীবা খ্বাইদগী ইকোন কোনবা সর্টিফিকেসন অসিগী মতুংইন্না

হুইয়েন লানপাউ মণিপুরী ইদিসননা

মণিপুরদা অনীশুবা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না ফোঙবা পাউচে ওইরে।

পাউচে অসিবু লীশাং শীৎনা পাবিরক্লিবা অমদি পুক্নীং থৌগৎপীরক্লিবা খুদিংমকপু নোল্লুকপগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মতুং তারকপদসু পাউচে অসিবু হেন্না মপুঙ ফানা পুথোকপা ঙম্ননবা পুক্নীং থৌগৎপিয়ু। অশোয়-অরান য়াওরগসু তাকপীরকউ। মীয়ামগীদমক পাউচে অসিনা হেক ঙল্লিবমখৈ অঙম্বা থৌদাং লৌজগে।

*পুম্নমকপু অমুক্কা হন্না থাগৎচরি!*

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৪।১১।২০১৯ ইং, নোংমাইজিং, অয়ুক পুং ৬.২৪ ফাওবা হিয়াঙ্গৈগী ২৬ নি পাল্লি, মতুং ২৭নি পানগনি।

**মেষ :** অচুম্বা অমদি লৌশিংনা নথক থোংববু লায়না লাকশিনবা ঙমগনি, মরুপ-মপাংনসু চানবী অমদি লল্লোন ইতিক্তা মায় পাক্কনি। ৱাঙাঙদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**বৃষ :** অনা-অয়েক লৈরম্বা কোকচগনি, মীয়ামগা য়েক্লরম্বসু কোকচগনি অমদি শেলথুমগী থবক্তসু পেনগনি। মীনা লন মৎপিবা য়াবদি লৈ-মীৱা লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিথুন :** অফবা মফম ফংগনি, লেপ্তুনা হোৎনজবনা মীকোক থোংবা য়াবসু লৈ অমদি পাইরক্কী লৌশিং য়াম্না লৈগনি। হন্থবা লোয়নরবা নুংঙাইতবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীচং লৈরোই-চরাংগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কর্কট :** মীংচৎ ফংগনি, অরং-অরাক ফংগনি অমদি অফবা মফম ফংগনি। পোরম য়াৎপা হৈবা অমদি ঙাঙবা শাকপা হৈবা নুমিৎনি। মরুপ-মপাংগদি শাওনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**সিংহ :** লল্লোন ইতিক্তা মায় পাক্কনি, অনৌবা থৌরম পাংবা য়াগনি, অনৌবা মরুপ ফংগনি, লৌশিংনা মায় পাকপা শোইরোই। অফা অপুনগী থবক পায়গনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কন্যা :** লেংদবা লন লেপশিনবা য়াবা, মীয়ামগা ৱাখল তামিন্নবা অমদি লাই-গুরুনা চানবীবা নুমিৎনি। ইচং থৌবনা অপানবা ফংগনি। হুরানবনদি থবক্তা য়েৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**তুলা :** নীংবা থুংবা, শেন্দোং চাউনা ফংবা অমদি অনীংবা অফবা থবক পাংবা ঙমজবা নুমিৎনি। খোইরাং খোইশাওনবা অমদি হেন্না ইচং থৌবনা লন মাঙবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** লনদি মাঙবা, পূক্লিং ৱাবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপসু লৈগনি। অদুনা ফিংগনু অমদি য়েৎকনু। মীংচৎ খরদি ফংগনি অমদি পোরম য়াৎপা হৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ইকায়খুম্নবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** শেল-থুমগী থবক কান্নগনি অমদি হোয়া ফবগী কান্নবসু ফংগনি অদুনা মীয়াম্না য়াগনি চিংনদনা খূৎচাও থাহৌরো। শকখঙদবগদি খৎনদনবা চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মকর :** থবক পাংগনি, ইমুং-মনুং ৱাখল তামিন্নবা অমদি লল্লোন ইতিক্তা থোইনা কান্নগদবা নুমিৎনি। মীকোক থোংবা য়াবা ঙসিসু লৈ। শেল ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কুম্বা :** য়েক্লবনা মীপাইহনবা য়াবা লৈ অদুনা খন্থদনা তরাইনা থৌ পাংগনু। ঈকাই নুংশিবা নংদনবা ৱা য়াম্না ঙাঙগনু। হায়জবগীদি শোইদনা কান্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কনবনা নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**মিন :** মরুপ-মপাং নত্রগা ইমুং-মনুংগী ৱা তাবনা শুংশোই শোইদনা মায় পাক্কনি। য়েৎনবদা মায় পাক্কনি অমদি শেল ফংগনি। অদুবু পাউ নুংঙাইতবা তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।